## অমাংশঙ ১সুং...

*লামায় ১গী মখা...* ফম্লিবী নুপীশিংনা পূনশিন্নদুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবী কৈথেল ফম্বীশিংনা 'ৱাংজিং লমদিং কৈথেল ফম্বীশিংগী টোইলেট পীবিয়ু', ৱাংজিং লমদিং কৈথেলদা দষ্টবিন মরাং কায়না থম্বীয়ু হায়না ইবা প্লে কার্দশিং পায়খি।

ৱাকৎ মীফম অসিদা শরুক য়াখিবী খুন্দ্রাকপম বিশোরিয়ানা ফোঙদোকখিবদা কৈথেল অসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা অচৌবা কৈথেলশিংগী মনুংদা অমনি। ইম্ফাল মোরে লম্বী পরিংদা লৈবনা কৈথেল অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মীওই কয়া লাক্কুনা পুল্লরি। মসিগী মথক্তা ৱাংজিং লমদিংগা থংনবা খুল কয়াগী মীয়ামসু কৈথেল অসিদা পোৎ চৈ লৈবা লাক্করি। অসিগুম্বা চাওরবা কৈথেল অসিদা হৌজিক লৈরিবা মীয়ামগী টোইলেট অসি শীজিন্নবা য়াদনা লৈরকপা চহী ১ হেনজিল্লক্লে। মসিনা মরম ওইরদুনা পোৎফম ফম্বীশিং য়াওনা কৈথেল অসিদা লাকপা মীওই পূম্নমক অৱাবা/খুদোংচাদবা মায়োক্লরে হায়খি। মরম অসিনা কৈথেল অসিদা মীয়ামগী মপান থোকফম অমসুং অমাংশঙ থম্বীয়ু হায়খি।

অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩৫.৬৭°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৭.০০°C
মণিপুরগী নোংজ্রুগী চাং : ১.০৪
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.৫৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২৮

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 78.992464 |
| US Dollar | 79.922364 |
| British Pound | 91.239081 |
| Australian Dollar | 53.550779 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.456038 |
| Japanese Yen | 0.551477 |
| Malaysian Ringgit | 17.754547 |
| Singapore Dollar | 56.701725 |
| South Korean Won | 0.057519 |
| Saudi Arabian Riyal | 21.312630 |
| Thai Baht | 2.175573 |

**GAS NEWS**

**KHORIPHABA NAMBOL BK.UPTO DATE**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no - 8787632782, 6009194940
**M/S BASHIKHONG INDANE BOOKING UPTo - 04/08/22**
VALID FROM30/07/22
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738 /9856398141OFFICE TIMING 9AM TO 3pm WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.
**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
**Booking Upto 04/07/2022**
Valid from25/06/2022
**Stock 306 nos.**
Office contact nos. numbers 8132036940/ 8414824977/ Call Time 8am to 12 noon Sunday close
**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 20/08/2022
**BOOKING UPTO: 23/08/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM
**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837
**CANCHI INDANE SERVICE BOOKING UPTO 03/09/2022**
VALID FROM NIL
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am
**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking upto 10/08/22
Valid from 31/07/22
**Stk 306**
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no.8119073029/8974426830)
**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
TIMING 9:00 AM TO 01:00 PM
**BOOKING: UPTO DATE, 20 days gap from last delivery**
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
FOR ALL SINGJAMEI AREA 7628077876
7085198900 (ENQUIRY)
7628077876 (COMPLAINT)
**HIYANGTHANG INDANE. BOOKING 25-08-22.**
Valid.21-08-22.
**Stk.-306.**
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.
Whatsapp.no. 6009260971.

# ৫০শুবা শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল : নুপা লীলাগী মরিশুবা নুমীৎতা মমি আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী 'মঙাল য়াওদ্রবা নুমিৎ' উৎখ্রে

**নোমিতা খোংবান্তাবম**



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল, ২০২১-২২গী নুপা লীলা কাঙলুপকী অথোই অহেন তান্নবগী মরিনিশুবা নুমিৎতা মমি আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী 'মঙাল য়াওদ্রবা নুমিৎ' উৎখ্রে।

লীলা অসি মনি য়ুম্নাম্না ইরগা খ্বাইরাকপম বিশ্বমিত্রনা লমজিং লমতাকপনি। ঈশৈ ময়েক্তা মনি য়ুম্নাম অমসুং ম্যুজিক দিরেক্সনদা তোম্বনি।

লীলাগী ৱারীদা লিক্লাইগা চিংলেম্বগা নুংশি মরী চেৎশিন্নদুনা লিক্লাইগী খোইজিখাদা নাৱা মিতম হুল্লকখি অদুবু লিক্লাইগী অপোকপনা অতোপ্পা মাঞ্জ অমদা থাজনবা থৌশিল থৌরাং পায়খৎলকপদা য়ারক্তবদগী ময়ূম পান্দনা লৈরকখি। লিক্লাইগী নৱা অদু অঙাং নুপা ওইনা তাইবঙ খোঙদারকপগা শিখ্রে হায়দুনা মীনম্লগা কাওবনা য়োক্তুনা চাওবা শারেপ ফারকখি। লোয়ননা 'ইনাকখুনবা' মীংথোন্নখি। অদুবু কাওবনা লায়রবা ওইবনা য়োকচরকপা মচাগী মনিং থুংহনবদি ঙমখিদে। হিংবা ঙম্নবা হোৎনবদা অঙম অঙম্বা থৌদাং লৌদুনা হিংলকপা য়ুম্বানগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা লীলানি।

অদুবু ইনাকখুনবনা য়ুট্যুবতা মণিপুরগী মীতৈ জগোয় য়েংলুবদগী লনচেনবীগী জগোয়দা ঙাওজখি। লনচেনবী অমসুং চীংলেম্বা চেন্নাইদা থেংনবদগী পুন্সি লৈপুল ওইখিবনি। দেল্লীদা লনচেনবীগী জগোয় য়েংনবগীদমক্তা লৈশং অমসুং ইনাকখুনবা লাকখি। ইনাকখুনবনা ওজা ওইনা ইকায়খুম্নজবগী মীৎয়েংদা লান্না য়েংবা মীৎয়েং অমনা লনচেনবীগী মপুরোইবা চীংলেম্বনা ফুবীখি। মতমদুদা থেংনখিবা লিক্লাইনা মচাগী ঈগী মরীগী ইহুল হুনখিবদগী শিখ্রবা মচাগী মরী মখোঙ থিবা হৌরকখি। ইনাকখুনববু মচা ওইরম্বা অমদি চীংলেম্বগী অরানবা মীৎয়েংনা ইনাকখুনববু হাৎকনি হায়দুনা লাকখিবদগী মচা ওইরম্বা থেংনখিবা ৱারী য়াওরি।

শেঞ্জাও পায়বা অচৌ অশাংগী মফমদসু অৱাৎপা নীংঙমদবা লৈ। লায়রবা ইমুংগীসু মীয়াম্না চাদে লৈতে উখিগনি অমদি মীনা উশিৎপীরোই হায়দুনা ঙম্না ঙম্নবা হোৎনবদা লায়রবশিংনা থেংনবা মীকুপ্তা পাইরক্কী লৌশিং শীজিন্নদুনা অতোংবা থিবগী ফাগিগী ফম্বাক য়াওবা লীলাগী মচৎ অমসু ওইখি।

নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদা থৌপাংবদা লোংজম ইবোচৌবা, কাবদা থোকচোম জোসেফ, চীংলেম্বদা লিকমাবম দেনি, লৈশংদা ৱাহেংবম লোকেন অমসুং ইনাকখুনবদা রোমারিও (পাওনা থৌদাম)নি। নুপীগী শক্তমদা লিক্লাইদা নাওরেম সঙ্কর, লনচেনবীদা আর কে সনাতোন অমসুং শকহেনবীদা সনাথোইথোকচোমনি।

নুপা খোঞ্জেলদা ইনাওচানা শৈশক্লগা নুপী খোঞ্জেলদনা এস এস এন্থোনিনা শৈশক্লি। টবলাদা তোম্বা, গিটরদা এস ভুবোন, বাঁসিদা এস এস শান্তি, কি বোর্দতা বোবি, মৈতৈ পুঙদা রাহুল অমসুং পেদ দ্রমদা চীংলেননি। হয়েং নুপাগী ৫নি চনবা নুমিৎতা চুমথাং ক্রিএটিভ আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী 'শঙ্গোম গ্লাস অমা' উৎকনি।

## আই এ এস/এম সী এস ওফিসর খরগী ফম হোংদোক্লহনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): ঙসি দেপ্যুটি সেক্রেটরি (দি পি) না থোকপা ওর্দর অমদা আই এ এস ওফিসর ৩, এম সী এস ওফিসর ১৯ অমসুং জুনিয়র বি দি ও অমনা পুগদবা ফমশিং হোংদোক হোংজিন তৌহনখ্রে। ওর্দর অসিগী মতুংইন্না নোনেগী দি সী ওইরম্বা হাওলিয়ানলাল গুইতেনা ফেরজোলগী দি সী ওইরগনি অদুগা ফেরজোলদা দি সী ওইরম্বা জোসেফ পাওলিন কামসোংনা নোনেগী দি সী ওইরগনি হায়রি।

## আধার শীজিন্নবদা লায়থোকহনবগী ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): লৈঙাক্লা আধার শীজিন্নহন্নবগী থবক হেন্না পাকথোক চাওথোক-হন্নবগী পান্দমদা গুৱাহাটিগী য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (য়ু আই দি এ আই), রিজনেল ওফিসনা শীন্দুনা 'রিসেন্ট ইনিসিএটিভস ফোর সিমপ্লিফায়িং আধার য়ুজেস' হায়বসিদা ষ্টেট লেভেল ৱার্কশোপ অমা ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কশোপ অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেস কুমারনা শরুক য়াখিবা মীহুৎশিং অমসুং ওফিসলশিংদা আধার অসি মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী স্কিমশিং ফংহন্নবা হোৎনবদা মরু ওইবা পোৎশক অমনি হায়রদুনা লোয়শঙশিংনা দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফর (দি বি টি) বু থবক্তা ওন্থোকপদা স্কিমশিং অসিগী সেক্সন-৭ মশক খঙদোক্লবা আপীল তৌখি। অদুগা হৌখিবা চহী খরদা আধারনা লৌরকখিবা থৌদাংশিংগী মতাংদনা য়ু আই দি এ আইগী সী ঈ ও ডা. সৌরব গর্গনা আধারনা পীরিবা কান্নবশিং শন্দোক্লা তাকখি।

## খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফম্বীশিংগী পোৎ চৈ হুরাল্লম্বা দ্রগ চাবা ২ ...

*লামায় ১গী মখা...* ঙসি ইমোইনু কৈথেলদা পাউমীশিংদা মহাক্লা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মখল কয়াগী দ্রগশিং য়াম্না লায়না ফংনরকপনা মসিবু শীজিন্নবগী মশীং খক্তা নত্তনা মরী লৈনবা ক্রাইমশিং হেনগৎলক্লে। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী এরিয়াদা নুমিদাংগী মতমদা দ্রগ চাবা মীওইশিং থোরকপগা লোয়ননা পোৎফম ফম্বী নুপীশিংগী পোৎ চৈশিং হুরানবা হৌরক্লে হায়খি।

কেদোগী ভোলন্টিয়রশিংনা ঙরাং অমসুং ঙসিগী লোন্নবা অহিংদা নুপী কৈথেলগী পোৎ চৈশিং হুরানবা দ্রগ চাবা মীওই ২ ফারগা সিটি পুলিসতা শিন্নখিবা লৈরে হায়নসু ফোঙদোক্লদুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোক্তনবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীয়ু হায়খি।

ফারবা মীওইশিং অদুদি তেরা সাপম লৈরক্তগী লাইশ্রম তোমথিন (২৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল কুমার অমদি শুগনু নাপৎতগী টি ঐচ বিনাকান্ত (২৮) অপোকপা টি ঐচ ব্রোজেননি হায়রি।

## ককচীংদা থবক শুরুগনি চৎখিবা মীওই অসামদা শিরল্লে...

*লামায় ১গী মখা...*

ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা থৌবাল পুলিসকী টিম অমনা লৈখিদ্রবা মীওই অসিগী য়ূমদা থৌদোক অসিগী পাউ পীরম্বনি হায়রি। মহাক্কী হকচাং অসাম পুলিসনা থেংনবদগী মশাদা য়াওবা ভোটর আই দি কার্দতগী মশক খঙলবা মতুংদা থৌবাল পুলিসতা পাউ পীরকখিবগা লোয়ননা হকচাং অসি ইমুংগী মীওইশিংনা লোগী মতুংইন্না নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা ক্লেম তৌরদ্রবদি দিসপোজ তৌখ্রগনি হায়নসু খঙহল্লক্লে হায়রি।

ইমুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা মহাক হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ককচীংদা থবক শুরুগনি হায়রম্লগা ময়ূমদগী থোকখিবনি। নুমিৎ অদুদা মহাক্কী নুপীগা টেলিফোনদা ৱারী শানরম্লবা মতুংদা মহাক্কী ফোন স্বিটচ ওফ তৌখিবদগী পাউ ফাওনবা ফংখিদবনি। মহাক্কী নুপী অমসুং চহী ২১ রোম শুরবা মচানুপা অমগা চহী ১৭ রোম শুরবী মচানুপী অমগা লৈহৌরি হায়রি।

## মশাগী নুপী হাৎখিবা মীওই পুন্সি চূপ্পগী ফাদোক পীখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* নুমিৎতুমক্তদা ৱাকৎলকপদগী বিষ্ণুপুর পুলিসনা আই পি সী সেক্সন ৩০২গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ৫৫ (৫) ২০১২ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। পুলিসকী মায়কৈদগী কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথুরবা মতুংদা কোর্টতা কেস অসিগী চার্জশীট মপুরোইবা অসিগী মথক্তা থাগৎলকখিবনি। কোর্টনা চার্জশীট অদুদা য়ূম্ফম ওইদুনা মীওই অসিগী মথক্তা চার্জ হিয়ারিং পাঙথোক্লবা মতুংদা মঙোন্দা মীহাৎপগী চার্জ তৌবগা লোয়ননা কেস অসিগী ৱায়েল চথুরকখিবনি। অদুগা অরোইবা ৱায়েলনা মমাঙ থাগী ২ অমসুং ১৭তা পাঙথোক্লগা রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা মমাঙ থাগী ৩০দা সেসন্স জজ, বিষ্ণুপুর ৱাইখোম তোনেন মৈতৈগী কোর্টনা মহাক্কী ওপন কোর্টতা লাউথোক্লদুনা খ্বাইরাকপম সনাতোম্বা (সনামতুম) বু মহাক্কী লোয়নবী হাৎখিবগীদমক মরাল লৈরে হায়দুনা কনভিক্সন পীখিবনি। অদুগা ঙসিনা মহাক্কী কনভিক্সনগী মতম লেপথোক্লবা কোর্ট অসিদা সেন্টেন্স হিয়ারিং পাঙথোকখিবনি। কোর্টনা সেন্টেন্স হিয়ারিং পাঙথোকপদা মহাক্কী মায়কৈদা লেপখিবা দিফেন্স কাউন্সেল সসিকান্ত অথোকপমনা মীওই অসিগী মচানুপা অমা, মচানুপী অমা অমসুং চহী য়াম্লবী মমা অমা লৈরি। মখোয় পূম্নমক মহাক্লা য়েংশিল্লিবনি হায়বগা লোয়ননা থোকখ্রিবা থৌদোক অদুনা মহাক্কী অহানবা ওফেন্সনি। মরম অদুনা মহাক্কী ইমুংগী শেল থোকপা মীওই মহাক খক্তং ওইবগা লোয়ননা মহাক্কী মচা অনী অমসুং চহী য়াম্লবী মমাগীদমক য়েংবীরগা মঙোন্দা খ্বাইদগী য়াংবা চৈরাক পীবিনবা হায়জখি। অদুম ওইনমক কোর্ট অসিগী এদিসনেল পব্লিক প্রোজিক্যুটর এল দেনি মীতৈগী মায়কৈদগীদি অসিগুম্বা থৌদোক অসি য়াম্না শাথীবা ওফেন্স অমনি হায়রদুনা মঙোন্দা খ্বাইদগী অহকপা চৈরাক অমসুং ফাইন পীবিয়ু হায়জখি। কোর্টনা নাকল অনীমক্কী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা মহাকপু আই পি সী সেক্সন ৩০২ (অতম্ননা মী হাৎপা) গীদমক লুপা লিশীং ৫গী ফাইন পীবগা লোয়ননা পুন্সি চূপ্পগী ফাদোক পীখি।

পনবা য়াবদি, মমাঙ থাগী ৩০দা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মহাকপু ফাদোক পীরে হায়দুনা লাউথোক্লমদাইদা কোর্টতা কারকখিবা মহাক মফম খঙদনা মাঙখিবনি। মসিদগী কোর্টনা মঙোন্দা ৱারেন্ট ওফ এরেষ্ট নোটিস ইস্যু তৌবদগী পুলিসনা মহাক্কী খোঙ্গুল লীরকপদা মহাক থংনবা নুমিৎ মমাঙ থাগী ৩১দা কোর্ট অসিদা সরেন্দর তৌরকপদগী কোর্টনা মঙোন্দা ইস্যু তৌখিবা ৱারেন্টে ওফ এরেষ্টকী নোটিস অদু কেন্সেল তৌরগা নুমিৎ অদুমক্তদা মহাকপু জেলদা থাজিনখিবনি।

## য়েলহৌমী কন্নবা...

*লামায় ১গী মখা...*অচম্বা পোৎশিং তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ঈপাক্কী এদভাইজর অমসুং জে সী আই এল পি এসকী ফাউন্দর কনভিনর সাপমচা জাদুমনি, কম্মিটি অসিগী হান্নগী কনভিনর ঐচ ইবোতোম্বী খুমন, পি পি সী এমগী কনভিনর মাইবম বিশেশ্বর, য়ু সী এমগী কনভিনর জয়চন্দ্র কোন্থৌজম, ইপসাগী প্রসিদেন্ট তৌরাংবম বিরজিৎ, অমোম লূপ, কংলৈপাক্কী প্রসিদেন্ট সঞ্জিৎ সোরাইসমনা প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## নোর্মেল নত্তবা ফাইনান্সিএল ট্রাঞ্জেক্সনশিং অথিংবা থম্লক্লি...

*লামায় ১গী মখা...* পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা কাউন্সেল এল রাজুনা লেপখি অদুগা চীফ সেক্রেটরি অমসুং কম্মিস্নর (মাহুদ) কী মায়কৈদনা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট টি ঐচ সুকুমারনা লেপখি।

নুমিৎ অদুদা কোর্টনা নাকল অনীমক্কী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা ওগষ্ট ২৩, ২০২২দা আই এম সী অমসুং য়ু এল বি ২৭কী ক্যেরটেকর মেয়র য়াওনা ক্যেরটেকর চ্যেয়রপর্সন, ষ্টেন্দিং কম্মিটিশিং অমসুং ক্যেরটেকর কাউন্সিল্লরশিং লৌথোকপগী ওর্দর থোকখিবা অদুগী মরম অমসুং আই এম সীগী য়াওনা য়ু এল বি ২৭কী কাউন্সিল্লরশিং খন্নবগী মীখল পাঙথোক্লবগীদমক লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিদগী ইন্সত্রক্সনশিং লৌরক্লবা গভর্ণমেন্ট এদভোকেটতা খঙহনখিবগা লোয়ননা রিট পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্ট অনীদা থা অসিগী ২ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিস ইস্যু তৌখিবনি। অদুগা মেট্টর অসি থা অসিগী ২দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখিবনি।

কোর্টকী পাউতাক মতুংইন্না থা অসিগী ২দা আই এম সী অমসুং য়ু এল বি ২৭কী ক্যেরটেকরশিং লৌথোকখিবগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকপা পিটিসন অসি অমুক হন্না বেঞ্চ অসিনা লৌখৎখি। নুমিৎ অসিদা গভর্ণমেন্ট এদভোকেটকী মায়কৈদগী কোর্টনা ওগষ্ট ২৬, ২০২২দা ইস্যু তৌখিবা নোটিসকী মতুংইন্না ফাইল তৌরক্কদবা কাউন্টর এফিদেভিট পীখৎলক্লবগী অরোইবা চয়োল অনীগী মতম পীবিনবা হায়জখি।

গভর্ণমেন্ট এদভোকেটকী প্রেয়র অদুদা কোর্টনসু অয়াবা পীরদুনা রিট পিটিসন অসিনা প্রেয়র তৌরক্লিবা ইন্টরিম ওর্দর অদুগী মতাং য়াওনা কেস অসিগী ৱায়েল গভর্ণমেন্ট এদভোকেটকী মায়কৈদগী কাউন্টর এফিদেভিট পীখৎলক্লবা মতুং থা অসিগী ১৬তা খন্নবা নুমিৎসিদা লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি।

অদুম ওইনমক আই এম সী অমসুং য়ু এল বি ২৭কী ক্যেরটেকরশিং মথৌ তৌহনবা লেপহনখিবগী ওর্দর অসিগী মায়োক্তা হায় কোর্টতা শীংনরকপদগী ৱায়েল চথনবা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎলক্লিঙৈগী চৈরক্তা থা অসিগী ১দা দেপ্যুটি সেক্রেটরি (মাহুদ) না থোকপা ওর্দর অমদা আই এম সী অমসুং য়ু এল বি ২৭কী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা কম্মিস্নর (মাহুদ) বু এপোইন্টমেন্ট পীরে হায়বগী ওর্দর অমা থোকচিল্লকখিবনি।

ওর্দর অসি থোরকপদগী অহানবগী রিট পিটিসন অসিগী পিটিস্নরশিং ওইরিবা মীওই অহুম্মক্লা এপ্লিকান্টশিং ওইদুনা মণিপুর লৈঙাককী মহুৎশিনবা চীফ সেক্রেটরি অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরবা কম্মিস্নর (মাহুদ) কী মথক্তা মিসেলিনস কেস (দব্লিয়ু পি-সী) নম্বর ২৯৫ ওফ ২০২২ ফাইল তৌরকখিবনি। মিসেলিনস কেস অসিদা পিটিস্নর ৩না আই এম সী অমসুং য়ু এল বি ২৭কী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা কম্মিস্নর (মাহুদ) বু এপোইন্টমেন্ট পীরকখিবা অসি মরম চাদে, মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ এক্ট, ১৯৯৪গী সেক্সন ২১না পীরিবা 'এপোইন্টমেন্ট ওফ এদমিনিষ্ট্রেটর'গী প্রোভিজন অদুগী মায়োক্তনি। হায়বগা লোয়ননা আই এম সীগী অনৌবা কাউন্সিল্লরশিং খন্নবগী মীখল পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবদি কোর্পোরেসন অসিগী ক্যেরটেকর মেয়র অমসুং ষ্টেন্দিং কম্মিটিশিংনা মখোয়দা পীরিবা ক্যেরটেকরগী থবক থৌরমশিং মখা তানা পাঙথোকপগী অয়াবা লৈ হায়রকখিবনি।

এপ্লিকান্ট অহুমগী মিসেলিনস কেস অসি থা অসিগী ৬তা বেঞ্চ অসিমক্তদা লৌখৎখি। কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা এপ্লিকান্ট ৩গী মায়কৈদা কাউন্সেল এল রাজুনা লেপ্লগা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগী গভর্ণমেন্ট এদভোকেট টি ঐচ সুকুমারনা লেপখি।

কোর্টনা নাকল অনীমক্কী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা গভর্ণমেন্ট এদভোকেটকী মায়কৈদগী প্রেয়র তৌরকপা মতুংদা মিসেলিনস কেস অসিগী ইন্টরিম ওর্দরগী প্রেয়র খন্নবগীদমক মেট্টর অসি হয়েং (সেপ্টেম্বর ৮, ২০২২) দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা খঙহনখিবনি।

অদুম ওইনমক মরকসিদা থা অসিগী ১দা দেপ্যুটি সেক্রেটরি (মাহুদ) না থোকখিবা ওর্দর অমনা আই এম সী অমসুং য়ু এল বি ২৭কী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখ্রবা কম্মিস্নর (মাহুদ) না নোর্মেল ফাইনান্সিএল ট্রাঞ্জেক্সন নত্তনা অতোপ্পা ফাইনান্সিএল ট্রাঞ্জেক্সন অমত্তা তৌরোইদবনি হায়না খঙহনখিবনি। মরম অসিনা করিগুম্বা কোর্টনা থা অসিগী ৬তা পীখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না মেট্টর অসি হয়েং অমুক হন্না লৌখৎলক্লবদি এদমিনিষ্ট্রেটর ওইরবা কম্মিস্নর (মাহুদ) না আই এম সী অমসুং য়ু এল বি ২৭কী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা নোর্মেল ফাইনান্সিএল ট্রাঞ্জেক্সনগী মথক্তা অতোপ্পা ট্রাঞ্জেক্সনশিংসু মখা তানা তৌবদা অথিংবা থমখিগদ্রা নৎত্রগা অথিংবা অসি লৌথোক্তুনা তৌবা য়ারগদ্রা হায়বগী ৱাফম লৈখাই তাগদৌরি।

## কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ক...

*লামায় ১গী মখা...*অদুদা থাঙ্গ কৈবুল কলেক্টিভ ফিশ ফার্মর কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদকী প্রসিদেন্ট হৈস্নাম কুমার, খা থিনুঙ্গৈ জেদ পিগী মেম্বর অমদি জে এ সীগী এদভাইজর ওইনাম ইবোজাও অমসুং লৈকায়গী অহলশিংগী মনুংদগী লাইশ্রম শখি অমদি মোইরাংথেম তবোবচাওনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মীফম অদুগা মরী লৈননা থাঙ্গ মোইরাংথেমদগী খুঞ্জা অমনা ফোঙদোকখিবদা কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ক পাকথোক চাওথোরকপনা কান্নবা কয়া ফংলোই। হান্নদগী হৌদুনা মতম মতমদুগী লৈঙাক্লা লো কয়া শেমদুনা নেসনল পার্ক অসিগী কোয়বদা খুন্দারিবা মীয়ামদা অৱাবা কয়া মায়োক্লহন্দুনা লাক্লি। অমুকসু পাকথোক চাওথোক্কনি হায়রিবা অসিনা মীয়ামদা হেন্না অৱাবা পীরগনি হায়খি।

অকোয়বদা খুন্দারিবা মীয়াম্না পাম্লিবদি শাসু হিংসনু, ঐখোয় মীওইবসু হিংহনসি হায়বনি। মরী লৈনবা লোয়শঙনা পার্ক অসিবু পাকথোক চাওথোকপগী মহুত্তা হান্নগী পার্ক অসিগী লৈজরিবা এরিয়া অসিগী অকোয়বদা ফোরেষ্টকী মীওই কয়া মফম চানা থমদুনা নীংথিনা ঙাক শেল্লবদি সঙাই অমদি পার্ক অসিদা ফংলিবা শাশিং হিংবা ঙমগনি। পাকথোক চাওথোকপনা শা মশীং হেনগৎকনি হায়বগী ৱাফম লৈতে। হেন্নদুম চাওথোকপনা শা মশীং হন্থনবগী মরম ওইগনি। মরমদি লম অসিগী মচি মচিদা শা অসিনা চৎলকপা মতমদা মীওই কয়া থেংননবগী মরম ওইদুনা মখোয়দা অকি অখং য়াওদুনা কোয়চেন চেনবদা ঈশিংদা তাশিন্দুনা শিবনা মশীং য়ামগনি হায়খি।

মরম অদুনা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংনা কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ক পাকথোক চাওথোক্কনি হায়দুনা তৌরক্লিবা থৌরাং অসি মীয়ামগী খল্লগা তোকপীয়ু অমসুং হন্দোকপীয়ু। ঐখোয়গী চরম থদৎপীগনু। মফম অসিদগী হিংনবগী লম্বী ওইজরিবা মীয়ামগী খনবীদুনা নেসনল পার্ক অসি পাকথোক চাওথোকপীগনু হয়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি হায়রি।

## পোৎফম ফম্বী ফূরুবনি হায়বা ৱায়রলেসকী...

*লামায় ১গী মখা...* মনুংদা নুমিৎ অদুদা মহাক্লা ভিক্টিমনি হায়রিবী নুপী অদুনা মঙোন্দগী পুখিবা শেল পীরক্লবা হায়রুবদা নুপী অদুনা শাওবগা লোয়ননা থাঙ অমা পায়দুনা মঙোন্দা য়ান্নবা হোৎনরকখিবনি। মদুদা মহাক্লা মশা কঞ্জনবা ইন্থোক্লবদা নুপী অদু লৈমায়দা তুখিবনি হায়রি।

লোয়ননা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা লম্ফেল পি এসকী পুলিস পর্সনেলশিংনা মহাকপু ময়ূমদা থিরম্বগা লোয়ননা ইমুংগী মীওইশিংদা মহাক পুলিস ষ্টেসনদা লাক্লবা খঙহল্লম্বদগী ওফেন্স অমত্তদা কম্মিট তৌরক্ত্রিবা মহাকপু পুলিসনা অরানবা অমসুং য়ূম্ফম য়াওদবা চার্জশিংদা ফাজিনবা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়রদুনা মহাকপু এন্টিসিপেটরি (প্রি-এরেষ্ট) বেল পীবিনবা হায়জরকখিবনি।

মহাক্কী প্রেয়র অদু কোর্টনা তারবা মতুংদা মঙোন্দা এন্টিসিপেটরি (প্রি-এরেষ্ট) বেল ঙরাং পীখ্রে। অদুম ওইনমক করিগুম্বা মহাকপু মহাক্লা ফোঙদোরক্লিবা মেট্টর নৎত্রগা এফ আই আর কেস অমগা মরী লৈননা ফাবা তারগদি মহাকপু লুপা লিশীং ৩০গী পি আর বোন্দ অমসুং মসিগা লোয়নবা সিয়ুরিটি অমগগী কন্দসনদা থাদোক্লবা কোর্টনা খঙহনখি। লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসনদনা মহাক্লা কো-ওপরেসন পীগদবনি। ইনভেষ্টিগেসন ওথোরিটিদা মহাক মশা ফংহনগদবনি। প্রোজিক্যুসন ৱিটনেসশিংবু ইনফ্লুএন্স তৌদনবা হোৎনগদবনি হায়বগা লোয়ননা কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা মণিপুরগী মপান্দা চৎপা য়ারোই হায়খি। লোয়ননা মরী লৈনবা পুলিসকী মায়কৈদগী রিপোর্ট পীখৎলকপগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬তা মহাক্কী বেল প্রেয়র অসিগী হিয়ারিং পাঙথোক্কনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, থৌদোক অদুবু ৱিমেন এক্সন ফোর দিভেলপমেন্ট (দব্লিয়ু এ দি) অমসুং য়ুনাইটেদ এন জি ওস মিসন-মণিপুরগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা কন্দম তৌখিবনি অমসুং থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মণিপুর পুলিস টেলিকোম (ৱায়রলেস) কী সব ইন্সপেক্টরনি হায়বা মীওই অদুগী মথক্তা লোগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা দিমান্দ তৌখিবনি।

## বেন্নিং ওফ অন রিগ্যুলেটৈদ দিপোজিৎ স্কিম এক্টকী মতুংইন্না...

*লামায় ১গী মখা...* মফম খঙদনা শেল থমজিল্লবদি অমদি শেল লৌশিল্লিবদি মীওই অনীমক ৱামিন্নবগা লোয়না ইরমদম অসিদা দিভেলপমেন্ট পুরক্লবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া শোয়দনা মায়োক্লরক্কনি। মরম অদুনা ফাইনান্সিএল দিসিপ্লিনশিং মমুৎ তানা খঙলগা অমদি ঙাক্লা চৎমিন্নদুনা চাওখৎপা ইরমদম অমা ওইনবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই।

ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসি কোভিদ লাক্ত্রিঙৈ মমাংদগীসু শেনমিৎলোন অসি ৱাদুনা অদুমক লৈরম্মী অদুবু কোভিদ পেন্দমিক লাকখিবদগী অমুক্কা হেন্না অৱাবা মায়োক্লদুনা লৈরি। মরম অদুনা শেনমিৎলোনদা ৱারিবা অসি ঐখোয় পূম্নমক্লা মাগী-মাগী তৌজরিবা শিনফমশিংদা কন্না হোৎনমিন্নদুনা মীপাল তাংদবা শেনমিৎলোন পুরক্লবগী হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। মসিগীদমক ফাইনান্স হায়বসি করিনো য়াম্না ময়েক শেংনা খঙমিন্নবা অমা চঙই। কোভিদ পেন্দমিক মমাংদা লমদম অসিদা ট্রেদিসনেল ওইবা মওংদা ফাইনান্সিএল ইন্সটিট্যুট খরদা ইনভেষ্টমেন্ট তৌবগী চৎনবী অমা লৈরমদুনা শেল পংথমদা থমজিন্নবা অমদি পংলৌদা লৌশিন্নরম্মী। মদুনা চপচাবা মহয় ফংবগী মহুৎতা মায়কৈ অনীমক মাঙমিন্নবা হায়বদু ওইরে। অদুবু হৌজিক্তি বেন্নিং ওফ অনরিগ্যুলেটৈদ দিপোজিট স্কিম (বি য়ু দি এস) এক্ট ২০১৯ মীয়াম্না বদস হায়রগসু খঙনবা এক্ট অসিগী মতুংইন্না অথিংবা থমখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা ফনা থাজৈ অমদি ফন ফজনা থবক তৌই হায়রগসু শেন্দোই ফংগনি হায়বগী ৱাখল্লোলদা ফাইনান্স ইন্সটিট্যুট অমদা হেক্তা শেল থমজিনবা য়াররোই। মরম অদুনা মফম খঙদনা শেল থমজিল্লবদি শেল থমজিল্লিবা মীওই অদুসু ৱাগনি অমদি শেল লৌশিল্লিবা মীওই অদুসু ৱাগনি। মখোয় অনীমক চপ মান্ননা ৱামিন্নগনি। মদুনা মরম ওইরগা ইরমদম অসিদা দিভেলপমেন্ট পুরক্লবা হোৎনবদদি অৱাবা কয়া শোয়দনা মায়োক্লরক্কনি।

থবক অমা তৌনবা হোৎনবদা শেল য়াওদনা পাঙথোকপা য়াদে। মরম অদুনা ফাইনান্সিএল দিসিপ্লিনশিং মমুৎ তানা খঙলগা অমদি ঙাক্লা চৎমিন্নরবদি ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা তোঙান-তোঙানবা থবক কয়া শোয়দনা পায়খৎপা অমদি চাওখৎপা ঙমগনি। লোয়ননা গভর্ণমেন্ট হায়বসি লৈবাক মীয়ামগী মপি-মপানি, ইমা-ইপানি মরম অদুনা ঐখোয়না মখোয়দা নুংঙাইহবা য়াইফবা চাওথোকচনিংঙাই ওইবা পাউ ঐখোয় পূম্নমক্লা তম্নবা হোৎনমিন্নসি অমদি ফজবা সজেসনশিং অমসু আইদিয়া কয়া পীদুনা মপুং ফানা সপোর্ট তৌসি, মতেং পাংসি। মদুগী মহুৎতা ঐখোয়গী মপি-মপানি ইমানি-ইপানি হায়দুনা দিমান্দ খক্তা তৌদুনা লৈগুমসি। হৌজিক-হৌজিক ঐখোয় পূম্নমক্লা তঙাইফদ্রবসি ৱাখল হোংমিন্নবা অদুনি। মরমদি ঐখোয়গী ইরমদমগী ওইনা য়াম্না মতিক চাবা ষ্টেবল ওইবা লৈঙাক অমা লাক্লবনি। মরম অদুনা ঐখোয় পূম্নমক্লা অমত্তা ওইনা চঙমিন্নসি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, ইরমদম মণিপুর অসিগী ওইনা হৌজিক অসি অচৌবা অওনবা অমা পুরক্লবগীদমক রাইট টাইম ওইরে। মরমদি ঐখোয় পূম্নমক্কী খনবিবা রাইট পার্সন চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন লৈরে। লোয়ননা ষ্টেবল ওইবা গভর্ণমেন্ট অমসু ওইরে। মরম অদুনা মাগী-মাগী বেষ্ট লেভেলদা হোৎনমিন্নরসি। লোয়ননা লৈবাক মীয়ামগী ঐখোয় পূম্নমক্কীসু চাওথোক্লিংঙাই ওইরবা নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন ইন্দিয়াদা ইহান হানবা ওইনা আর বি আইনা রিগ্যুলেট তৌবা অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্স, দিপার্টমেন্ট ওফ ফাইনান্সিএল সর্ভিসেস গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা সেক্যুরিটাইজেসন এন্দ রিকন্সট্রক্সন ওফ ফাইনান্সিএল এসেটস এন্দ ইনফোর্সমেন্ট ওফ সিক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (এস এ আর এফ এ ই এস আই) এক্ট ২০০২গী মখাদা পন্থোইবী হাওজিং ফাইনান্স কম্পনি লিমিটেদ অসি ফাইনান্সিএল ইন্সটিট্যুসন অমা ওইনা শক খঙখ্রবা ফার্ষ্ট লাইসেন্স হোল্ডর পব্লিক লিমিটেদ হাউজিং ফাইনান্স কম্পনি (ঐচ এফ সী) অমা ওইরিবনি।

এন্টাইয়র নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন ওফ ইন্দিয়াগী ওইনা হাউজিং লোন, নন-হাউজিং লোন, গোল্ড লোন, মাইক্রো ফাইনান্স লোননচিংবা মেক্সিমম লোন প্রদক্টশিং লৈরবা ফাইনান্সিএল ইন্সটিট্যুসন হায়বদি নন-বেঙ্কিং ফাইনান্সিএল কম্পনি- হাউজিং ফাইনান্স কম্পনি (এন বি এফ সী-ঐচ এফ সী) অসি পন্থোইবী হাওজিং ফাইনান্স কম্পনি লিমিটেদ মতোমতনি। কম্পনি অসিগী এরিয়া ওফ ওপরেসন অসি এক্রোস দ কন্ট্রিনি অমদি এক্রোস দ গ্লোবনি। ইন্দিয়া শিনবা থুংনা অমসুং মালেমগী তোঙান-তোঙানবা কন্ট্রিশিংদা ব্রাঞ্চ ওফিসশিং মথংশিৎনা হাংদোক্তুনা এক্সপান্সন তৌথোকখিবা য়ারবা অদুগুম্লবা পব্লিক লিমিটেদ হাউজিং ফাইনান্স কম্পনি অমনি। মরম অদুনা লৈবাক মীয়ামগা হান্নসু পুন্না চৎমিন্নদুনা লাক্লি মখা তানসু তাথোক-তাশিন তৌরগা অঙম্বা মতেং পাংনদুনা ফাইনান্সিএল দিসিপ্লিন খঙমিন্নদুনা চৎমিন্নসি অমদি অওনবা মণিপুর অমা পুরক্লবা হোৎনবদা পুন্না থৌদাং লৌমীন্নসি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## চহী ৬কী মমাঙদা ইম্ফাল মনুংদা ওইখিবা...

*লামায় ১গী মখা...* লৈবা ৩৩/১১ কে ভি এ সব ষ্টেসনদগী পীরকপা মৈদগী কঞ্জ্যুমরশিংদা অমুক হন্না পীবা ওইরম্লে। অদুবু সব ষ্টেসন অসিদগী টিদ্দিম লম্বী পরিংগী নাক য়েৎতা লৈরিবা কঞ্জ্যুমরশিং য়াওনা মসিনা পীফম থোকপা থ্রী ফেজগী কঞ্জ্যুমরশিংদা মৈ পীরিবনি হায়রগসু লাইন ভোল্টেজ শুহনবা ঙমদ্রে। থ্রী ফেজগী মৈ পীরি হায়রগসু ৱাহন্থোক লৈত্রে।

মীয়াম্না পোৎ চৈ লৈবদা অরূম্বা (ৱেট) ৱাৎপগীদমক্তি ৱেট এন্দ মিজর দিপার্টমেন্ট অমদি কঞ্জ্যুমর ফোরমনচিংবনা মতম মতমগী ওইনা য়েংশিন্দুনা লাক্লি। অদুবু মৈগী লোয়শঙনা মরী লৈনবা কঞ্জ্যুমরশিংদা লাইন ভোল্টেজ ৱাৎনা পীবশিংদি কনানা য়েংশিল্লিবগে হায়বগী ৱাহং কয়া থোরকপগা লোয়ননা মসিসু মৈ য়োনবদা ভোল্টেজ ৱাৎনা পীবা নৎত্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে।

মৈগী লাইন ভোল্টেজ শুনা ফংদদুনা খুদোংচাদবশিংগী মনুংদা টিদ্দিম লম্বী পরিংগী থৌদা ভাবোক লৈকায়দা লৈরিবা পাউচে অসিগী ওফিসতসু মায়োক্লরে। পাউচে অসি পুথোরকপদগী হৌরদুনা ঙসি ফাওবদা ওফিস অসিনা পাউচে পুথোকপদা তঙাইফদনা শীজিন্নরিবা মেছিনগী মথৌ তাবগীদমক থ্রী ফেজ কনেক্সন তৌদুনা মসিগী কঞ্জ্যুমর অমা ওইরকখিবনি অদুবু থা অসিগী ৫দগীদি খঙহৌদনা থ্রী ফেজগী লাইন ভোল্টেজগী ফংফম থোকপা চাং পীরক্তবদগী মৈ লাক্লবসু পাউচে নম্বগী মেছিন চলাইবা য়াদবদগী জেনরেটর শীজিন্নদুনা লৈরে। লাইন ভোল্টেজ শুদবগী কমপ্লেন্ট তৌরুরবসু শেম্বা ঙম্লোই হায়বসি য়াম্না লাইবক থীবনি। হায়রিবা থৌওংসিমক পাউচে অসিগী ওফিস খক্তা নত্তনা লম্বী পরিং অসিদা লৈবা থ্রী ফেজগী কঞ্জ্যুমর পূম্নমক্লা মায়োক্লরে।

পনবা য়াবদি ইকুই কুইদ্রিঙৈদা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বদা 'বিজলি উটসব' হায়বা মৈ মরাং কায়না অমসুং কঞ্জ্যুমর মশীং য়াম্না পীবগী থৌরমশিং লৈঙাক পায়রিবা অচৌ অশাংশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা কুইখিদ্রিবনি। অদুবু বিজলি উটসব পাঙথোকখিবা ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মতমসিদদি তঙাইফদনা থ্রী ফেজগী কঞ্জ্যুমর ওইজরিবা মীওইশিংদদি লাইন ভোল্টেজ শুনা ফংদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে। থৌওং অসিমক মৈগী লোয়শঙনা হায়রিবা কঞ্জ্যুমরশিংদা মায়োক্লহনফম থোক্তবা খুদোংচাদবশিংনি হায়না ৱাকৎনরক্লি।